ট্রাঞ্জিট ট্রেদনা ইন্দিয়া-পাকিস্তান য়েৎনবগী মরু ওইবা সোল্যুসন অমা ওইবা য়াই: ইন্দিয়ন দিপ্যুটি হাই কম্মিস্নার

ইস্লামাবাদ, মার্চ ২০ (এজেন্সী):

মতম কুইরল্লবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী য়েৎনবশিং ট্রাঞ্জিট ট্রেদনা মরু ওইবা সোলূসন ওইহনবা য়াগনি হায়না ইস্লামাবাদতা লৈবা ইন্দিয়াগী দিপ্যুটি হাই কম্মিস্নার সুরেসকুমারনা ফোঙদোকখ্রে। কুমারনা ৱাফম অসি লাহোর চেম্বর ওফ কর্মসকী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মহাক্না য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরী মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবগী পান্থেৎশিং থীবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা ন্যু দিল্লিনা ইস্লামাবাদকা অফবা মরী থম্নবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখি। লৈবাক অনীমক্কী জিওগ্রাফিকেল রিয়েলিটি হোংদোকপা য়ারোই হায়রদুনা মহাক্না ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগা অফবা মরী থম্নবা পাম্মী হায়খিবনি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়ানা সেন্ট্রেল এসিয়া মার্কেটশিংগী খুদোংচাবা লৌবা পাম্মী। মসিবু পাকিস্তাননা ট্রাঞ্জিট ট্রেদকী খুত্থাংদা খুদোংচাহনবা য়াই।

দিপ্যুটি হাই কম্মিস্নারনা লাহোর চেম্বর ওফ কর্মসকী থৌরমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি য়াম্না মরু ওই হায়না এক্সপার্টশিংনা লৌরি। মখোয়গী মতুং ইন্না মহাক্কী ৱাফম অসি মমাঙদা নাকল অনীনা অমনা অমবু চৈনা ঙাওনখিবা হূ চেল্লবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অদুদগী য়াম্না তোংঙাল্লি। মমাঙদা নাকল অনীনা অমনা অমবু তোইনা চৈন ঙাওনবা অমদি হুন্নবা অসিনা লৈবাক অনীগী মরী মহৌশাগী ফিভমদা লাকহনবা য়াগনি হায়বগী থাজবা লৈহনখিদে।

কুমজা ২০১৯ দা ইন্দিয়ানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসল ষ্টেটসতা অহোংবা লাকহন্দুনা য়ুনিয়ন টেরিটরি অনী ওন্থোকখিবদগী পাকিস্তাননা ইন্দিয়াগা লল্লোন ইতিক অমদি শেল থুমগী থবক থৌরম পুন্নমক্কী মরী থদৎখি। লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটস অসি য়েংলগা ইন্দিয়াগী দিপ্যুটি হাই কম্মিস্নারনা ফোঙদোক্লিবা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ৱাফম অসি অতোপ্পা নাকলদগী হেক্তা তরাম্না ওল্লকপা য়াই হায়বগী থাজবদি লৈত্রিবনি হায়না এক্সপর্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

কুমজা ২০১৯ দা আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫এ চৎনহনখিদবদগী নাকল অনীগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী মরীগী খুত্থাংদা খুদোংচাবা অমত্তা ফঙনরকখিদ্রবা মতুংদা ইনৌ নৌবা পোজিটিব ওইবা ৱাফম অসিনা নাকল অনীগী মরী ফগৎহল্লকপদা মতেং ওইরগনি হায়না থাজনরি।

পাকিস্তানগী লোকেল দেলি অমগী এদিটরিএল পিছ অমনা হায়রিবদি পাকিস্তানগী মরু ওইবা নোংচুপলোমগী পার্টনরশিং হায়বদি য়ুএস অমসুং ইয়ুগী ইকনোমিক্স তপথরকপগী মওং উরিবা অসিদা হৌজিক রিজনেল ট্রেদিং পার্টনরশিংগী মরী য়ারিমখৈ ফগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই।

অতৈ এক্সপার্টশিংনা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তগা মরী ফগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লিবসি নাকল অনীমক্কী ওইনা ইনৌ নৌবা নত্তে হায়না ফোঙদোক্লবসু লৈরি। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা পোজিটিব ওইবা ইঙ্গিৎ অমসুং ইনিসিএটিব খুদিংমক হান্নদি মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্ট অথিংবা পীবগী চৎনবী অমা পাকিস্তানদা উখি।

মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্টদা নত্তনা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল লিদরশিপনসু লৈবাক অদুগী তুংগী পোলিটিকেলগী ফিভমগী খল্লুরগা অসুম্না য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী খুত্থাংদা ফাওবা মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি লুই হায়না লৌই হায়রি।

ইরান অমসুং ইরাক্না সেক্যুরিটিগী লমদা কো ওপরেসন পীনবগী এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রে

টেহরান, মার্চ ২০ (এজেন্সী):

ইরান অমসুং ইরাক্না লৈবাক অনীগী মরক্তা সেক্যুরিটি কো ওপরেসন পীননবা বাঘদাদতা এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখ্রে। দিল অদু ইরাক্কী খোঙচৎতা লৈরিবা ইরানগী সুপ্রিম নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিল (এস এন এস সি) গী সেক্রেটরি অলি সমখানি অমসুং ইরাক্কি নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর কাসিম অল-অরাজিনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা খুৎয়েক পীনখিবনি।

থৌরম অদুদা ইরাক্কি প্রাইম মিনিষ্টর মোহমদ সিয়া অল-সুদানিসু শরুক য়াখি।

ইর্না ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না হৌখিবা থা খরা অসিদা শেম শাখিবা এগ্রিমেন্ট অদুনা ইরাক্কী সেমি-ওটোনোমস কুর্দিষ্টান রিজনদা বেজ তৌবা এন্টি-ইরান গ্রুপশিংনা চত্থরিবা হোষ্টাইল ওইবা এক্সনশিংনা পীরিবা সেক্যুরিটিগী চেলেঞ্জশিং হেন্দল তৌবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগনি।

এস এন এস সিগী চীফনা হায়খি, লৈবাক অনীগী কম্মন বোর্দর পরিংগী মফমশিংদা উংখৎনবা অমসুং ক্রাইসিস থোকপনা লৈবাক অনীগী মীয়ামগী সেক্যুরিটি অমসুং মরা তপ্পা ফিভম শোকহনবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী বোর্দর সিটিশিংগী চাওখৎ খোঙথাংশিংদা অয়েৎ অপনসু পীগনি।

মহাক্না ইন্টর্নেল নত্ত্রগা এক্সটর্নেল টেন্সনশিংগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা ফিভম হেন্না লুশিলহন্দনবা আপিল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, খুৎলায় পায়বা এন্টি-ইরান গ্রুপশিং, মসর্নরিশিংগী ফত্ত্রবা এক্সনশিং অমদি ইরাক্তা বেজ তৌবা অমেরিকন ফোর্সশিংগী মিলিটরি অমসুং ইন্টলিজেন্স থ্রেটশিং খুদক্তা লেপহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

থৌরম অদুদা ইরাক্কি প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি ইরাক্কি গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়াম্না মতম চুপ্পদা ইরানিয়ন ইচিল ইনাওশিংগী সপোর্ট অমসুং মতেংবু থাগৎতুনা লাক্লি। বাঘদাদ অমসুং টেহরানগী মরক্তা এগ্রিমেন্ট অদু খুৎয়েক পীনরিবা মরম্না লৈবাক অনী অমত্তা ওই হায়বা ইরানিয়ন অমসুং ইরাক্কি ওফিসলশিংগী মীৎয়েং অসি হেন্না চেৎশিলহল্লি।

ইরাক্কি গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী মফম অমত্তদা ইরানগী সেক্যুরিটিদা শোক্লিংঙাই ওইবা থবক অমত্তা তৌহল্লোই হায়খি।

ইয়ুনা য়ুক্রেনগীদমক য়ুরো বিলিয়ন অনীগী এম্যুনিসন প্লান্ট অয়াবা পীখ্রে

ব্রাসেলস, মার্চ ২০ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী য়াম্না মথৌ তারিবা আর্টিল্লরি সেলশিং পুন্না লৈমিন্নবা অমসুং মখোয়গী ওইবা খুৎলায়গী পুক্কৈশিংগী অৱাৎপশিং মেন্নবা য়ুরো বিলিয়ন অনীগী প্লান্ট অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগা য়ানখ্রে হায়না দিপ্লোমেটশিংনা হায়রি।

ব্রাসেলসকী মীটিং অদুদা মিনিষ্টরশিংনা মচিন কয়া লোঙবা ইনিসিএটিব অমা শৌগৎনখি। ইনিসিএটিব অদু চয়োল অসিদা পাঙথোক্কদবা সম্মিট অমদা ইয়ুগী লিদরশিংনা অয়াবা পীগনি। মিনিষ্টরশিংনা য়ানখিবা মচিন কয়া লোঙবা ইনিসিএটিব অদুগী পান্দমদি য়ুক্রেনবু মথংগী থা ১২ অসিদা সেল মিলিয়ন অমা ফঙহনবা অমদি ইয়ুগী থাংলক্লিবা ষ্টোকশিং অমুক মেনশিনবা অসিনি।

রসিয়ানা চহী অমা চুপ্পা চত্থরক্লিবা লান অসি হেন্না হেন্না লুশিল্লক্লি হায়রদুনা কিভনা অসিগুম্বা লানদা য়ুক্রেনগী ফোর্সশিংগী ফায়র পৱার চাং তম্নগা শীজিন্নবগী ফিভমদা লৈহল্লে হায়না কমপ্লেন্ট তৌরি। য়ুক্রেননা ইয়ুদা লৈবাক অসিগী টুপশিং মোস্কোগী লান্মীশিংবু অথিংবা পীবদা মতেং ওইনবা থা অমদা সেল ৩৫০,০০০ পীরকপা পাম্মী হায়রি।

মসিদা নত্তনা চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা য়ুক্রেনগী লান্মীশিংবু ইনৌ নৌনা কাউন্টর-ওফেন্সিবশিং চত্থবা ঙমহন্নবসু য়ুক্রেননা ইয়ুদা তকশিল্লিবনি। য়ুক্রেনদা য়ারিমখৈ থুনা অহেনবা আর্টিল্লরি এম্যুনিসন পীরকপা মথৌ তাই হায়না লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবানা সোসল মেদিয়াগী পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ফ্রান্সকী ফোরেন মিনিষ্টর কেথরিন কোলোনানা হায়খি, মদুদি য়ুরোপিয়নশিংনা য়ুক্রেনবু মখা তানা অমদি থুনা মতেং পীবা মথৌ তাই।

প্লান্ট অদুগী অহানবা শরুক্তা ইয়ুগী ষ্টেটশিংবু য়ুক্রেনদা এম্যুনিসন থুনা থাবা ঙমহন্নবা মখোয়গী স্যের ফন্দিংগী য়ুরো বিলিয়ন অমা মখা তানা কম্মিট তৌবা মথৌ তাহল্লি। অনীশুবা শরুক অদুদা ব্লোক অসিনা অতোপ্পা য়ুরো বিলিয়ন অমা য়ুক্রেনগীদমক মিলিমিটর ১৫৫ কী সেলশিং ওর্দর তৌবগী ৱাফম য়াওরি।

অসুম্না খুৎলায় য়াম্না লৈবগী ৱাফম অসি রসিয়াগী লান অদুগা মরী লৈননা ঙাকশেলগী মতাংদা অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা হোৎনমিন্নবা য়ুনিয়ন অসিগী লৈবাকশিংনা তোইনা ফমদুনা লাকখিবা মীফমশিংদা চেৎশিলহন্দুনা য়ুক্রেনগীদমক্তা মখোয়না লেপ্লি হায়বদু উৎলি।

অফঘানিষ্টানদা ৱার ক্রাইম চত্থখিবগী মরালদা ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্নগী লান্মী অমা ফাখ্রে

কানবেরা, মার্চ ২০ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানদা সার্ভিস তৌরিঙৈদা ৱার ক্রাইম চত্থখিবগী চার্জ কয়া মায়োক্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্নগী লান্মী অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ন্যু সাউথ ৱেলস (এন এস দব্লিয়ু) ষ্টেটতা ফাখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ওফিস ওফ দ স্পিসল ইনভেষ্টিগেটর (ও এস আই) অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন ফেদরেল পুলিস (এ এফ পি) না অপুনবা ওপরেসন অমা চত্থখিবা মতুং অসিদা মশাগী চহী ৪১ শুরবা মীওই অদু ক্রিমিনেল কোর্ট এক্ট ১৯৯৫ কী সব সেক্সন ২৬৮.৭০ (১) গী মখাদা ৱার ক্রাইম অমা ওইনা মী হাৎপগী মরাল শীরগনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না মীওই অদু নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা রিজনেল এন এস দব্লিয়ুদা ফাখিবনি। মহাক লোকেল কোর্ট অমদা পুথোক্কদবনি।

জোইন্ট ওপরেসন অমদা ফাখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্নগী লান্মী অসি অফঘানিষ্টানদা দিপ্লোই তৌরিঙৈ মনুংদা অফঘান নুপা অমা হাৎখিবগী মরাল হৌনবী মতুং ইন্না শীরগনি। ৱার ক্রাইম অমা ওইনা লান মনুংদা মরম চাদনা মী হাৎপগী ওফেন্স অসিগী খ্বাইদগী চাওবা চৈরাক্তি পুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীবা অসিনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন (এ বি সি) না ন্যুজ রিপোর্ট অমদা মশক তাক্লদুনা মহাক কুমজা ২০২০ দা অফঘানিষ্টানগী উরুসগান প্রোভিন্সতা গেহুগী লৌবুক অমদা অফঘান নুপা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী ৱাফম পনখিবা এ বি সি ইনভেষ্টিগেসন-৪ কোর্নর ষ্টোরি অমদা উৎখি।

এ বি সি ইনভেষ্টিগেসন্না হায়রিবদি দেদিকেটেদ ও এস আই টিম অমদা হোমিসাইদ দিটেক্টিবশিং য়াওখি অমসুং ইন্টলিজেন্স ওফিসর অমনা মীহাৎ অদু চহী অনী হেন্না একজামিন তৌখি। কুমজা ২০২১ দা লিংখৎখিবা ও এস আই অসি ওষ্ট্রেলিয়ন দিফেন্স ফোর্সকী ইন্সপেক্তর জেনরেলদা ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্ণমেন্টনা পীখিবা রেস্পোন্সকী এলিমেন্টনি। ওফিস অসিনা ফেদরেল পুলিসকা খুৎশম্নদুনা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন দিফেন্স ফোর্সকী মেম্বরশিংনা কুমজা ২০০৫তগী ২০১৬ ফাওবদা চত্থখিবা ক্রিমিনেল ওফেন্সশিংগী মতাংদা থিজিন্দুনা লাক্লিবনি।

সার্ভিস য়াওরোই হায়রকপশিং থিংনবা ইজরেলগী পিএমনা মিলিটরি চীফশিংদা খঙহনখ্রে

জেরুসালেম, মার্চ ২০ (এজেন্সী):

সার্ভিস য়াওরোই হায়রকপশিং অথিংবা পীননবা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটন য়াহুনা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি চীফশিংদা খঙহনখ্রে।

রিজার্বিষ্ট চা কয়ানা গভর্ণমেন্টগী ৱাথোক ওইরবা জুদিসরি রিফোর্মগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা মখোয় দ্যুটিগীদমক রিপোর্ট তৌরোই হায়রকপদগী প্রাইম মিনিষ্টরনা সেক্যুরিটি চীফশিংদা ৱাফম অসি খঙহনখিবনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা চয়োলগী ওইবা কেবিনেট মীটিংদা ৱা ঙাঙলদুনা নেটন য়াহুনা হায়খি, রিজার্বিষ্টশিংনা দ্যুটিগীদমক রিপোর্ট তৌরোই হায়বা অসি অয়াবা পীদনবা অমদি মখোয়বু মহৌশাগুম শোয়দনা সার্ভিস তৌহন্নবা ইজরেলগী দিফেন্স ফোর্সেসকী চীফ ওফ ষ্টাফ হর্জি হলেবি অমসুং অতৈ সেক্যুরিটি চীফশিংনা হোৎনগদবনি।

ফোর্সতা থবক তৌরিবশিংনা লৈবাক্কী খল্লগা অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থরোইদবনি হায়না পিএমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা মিলিটরি ইন্টলিজেন্সকী স্পিসল ওপরেসন্স দিভিজন, মোসাদ, সিন বেদ অমসুং সাইবর ৱার ফ্যের য়ুনিটশিংগী মীওইশিং য়াওনা রিবার্বিষ্ট ৬৫০ না ষ্টেটমেন্ট অমদা জুদিসল রিফোর্মগী থৌরাং য়ানিংদবা উত্তুনা নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌরগা মখোয় দ্যুটিগীদমক রিপোর্ট তৌররোই হায়না লাউথোকখি।

চৈরকসিদা অয়াম্বনা এয়র ক্রুশিং, দ্রোন ওপরেটরশিং অমসুং এয়র ট্রাফিক কন্ট্রোল ওপরেটরশিং ওইবা রিজার্বিষ্ট ১৮০ না ওপন লেটর অমগী খুত্থাংদা মখোয় চয়োল অসিদা ট্রেনিং য়াওনবা রিপোর্ট তৌরোই হায়না লাউথোকখ্রে।

ক্লাসিফাইদ এয়র ফোর্স য়ুনিটকী অতৈ মীওই ১০০নসু করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা থৌরাং অদু মখা তানা চত্থরক্লবদি মখোয়সু সর্ভ তৌরোই হায়খি। ইজরেলদা রিজার্বিষ্টিশিং চহী ৪০ হেল্লক্লবদি মিলিটরি সার্ভিস অসি ভোলন্টরি ওইহল্লি। তৌইগুম্বসুং রিজার্বিষ্ট কয়ানা মখা তানা সর্ভ তৌননবা ৱারেপ লৌনৈ।

জিৱিষ্ট ইজরেল্লিশিংনা মিলিটরিবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী থাজনবা অমসুং ইকায় খুম্নবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী মনুংদা অমনি হায়না খন্নবনা রিজার্বিষ্টশিংগী ওবজেক্সন অদু মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবনি হায়না লৌনৈ।

নেটন য়াহুগী অনৌবা অল্ট্রা নেসনেলিষ্ট অমসুং অল্ট্রা-রিলিজস গভর্নিং কোল্লিসন্না চত্থরক্লিবা জুদিসল রিফোর্মগী থৌরাং অদুগী মায়োক্তা ইজরেলদা চয়োল কয়া দেমোন্সট্রেসন চত্থদুনা লাক্লি।

থৌরাং অদুনা ইজরেল্লি পার্লিয়ামেন্টবু সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপশিং চৎনহন্দবগী পৱার পীগনি। লোয়ননা জুদিসল এপোইনমেন্ট পুন্নমক্কী মতাংদসু ৱারেপ লৌবা ঙমহনগনি।

আই এম এফকী বেলআউট মাঙওইননা শেন্দোলগী রিপেমেন্টগী চহী ১০ গী মতম পীনবা হায়জখ্রে

কলম্বো, মার্চ ২০ (এজেন্সী):

শেলগী খুদোংচাদবা চাওনা মায়োক্লরিবা শ্রী লঙ্কানা আই এম এফকী দোল্লর বিলিয়ন ২.৯ গী বেল আউটকী মাঙওইননা লৈবাক অসিনা মপানগী শেন্দোল শীংনবগী মতম চহী তরা ওইহনবা পাম্মী হায়না প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেগী ওফিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

ৱিক্রেমেসিঙ্গেগী ওফিসনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়রিবদি ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দগী বেল আউট অদুনা ঐখোয়দা নুংশাশ্বর হোনবগী তাঞ্জা অমদি শোয়দনা পীরগনি। রেস্ক্যু অদুনা ঐখোয়বু মখা তানা বেঙ্কক্রফ ওইহল্লরোই। ঐখোয়না শীংগদবা শেন্দোলশিং অদু শিংদোকপদা য়ামদ্রবদা অহেনবা চহী তরাগী মতম লৌবা পাম্মী হায়না ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা নোংমাইজিং নুমিত্তা কলম্বোদা মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীটিং অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না শ্রী লঙ্কাগী দোল্লর বিলিয়ন ৪৬ কী মপানগী শেন্দোল রি ষ্ট্রকচর তৌনবা লাংলিবা মহাক্কী থৌরাংশিং অদুগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে। শ্রী লঙ্কানা নিংতম্বা ফঙলবা মতুং খ্বাইদগী শাথিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস মায়োক্লরকখিবগা লোয়ননা ঈথৎ লৈবাক অসি কুমজা ২০২২ গী এপ্রিলদা শিংদোকফম থোকপা মপানগী শেন্দোল শিংদোকপা ঙমখিদে।

য়াম্না তঙাই ফদবা ইম্পোর্ট অয়াম্বা ফাওবা ফাইনান্স তৌনবা শেল লৈরক্তবগা লোয়ননা লৈবাক শীন থুংনা মীয়ামগী ইরাং থোক্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা মপানগী শেন্দোল শিংদোকপা ঙমখিদবনি। শেল থুমগী মওং মরিল তানা শিল লাংদবা, চান থক্লবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবা, ফ্যুএল অমসুং হিদাক লাংথকশিং লৈরক্তবা অমসুং ইনফ্লেসনগী চাং কা হেন্না ৱাংলকপা অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না পাকশন্না প্রোটেষ্ট চত্থরকপদগী ৱিক্রেমেসিঙ্গেগী মমাঙদা লৈরম্বা প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সা শ্রী লঙ্কা থাদোক্তুনা চেনখি অমসুং মহাক হৌখিবা চহীগী জুলাইদা রিজাইন তৌখি।

আই এম এফকী একজিক্যুটিব বোর্দনা কলম্বোগী বেল আউট এপ্লিকেসন অদু নিংথৌকাবগী অথেংবদা সাইন তৌগদবনি। মদু শ্রী লঙ্কাগী খ্বাইদগী চাওবা বাই লেটরেল লেন্দর ওইরিবা চাইনাদগী ফাইনান্সিএল এসুরেন্সশিং লৌবদা মতম শাংনা চঙখিবদগী থিন্থরিবনি।

পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিংগা লোনগা মরী লৈনহল্লি হায়বা আই এম এফনা য়াখিদ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ২০ (এজেন্সী):

চয়োল কয়া চুপ্পা নাকল অনীনা ৱারী শান্নরক্লবসু থা কয়া লৈখায় তাদনা লাক্লবা পাকিস্তানগী লোন প্রোগ্রাম অমা হিংগৎহনবগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) না কন্দিসনশিং থমখি হায়বা ক্লেমশিং গ্লোবেল লেন্দর অসিনা য়াখিদ্রে।

জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি ইস্লামাবাদতা লৈবা আই এম এফকী রেসিদেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব ইস্থর পেরেস রুসনা এক্সটর্নেল ফন্দ ফেসিলিটি (ই এফ এফ) তা কন্দিসনশিং থমখি হায়বা ৱাফম রিজেক্ট তৌখি।

আই এম এফকী সপোর্ট প্রোগ্রাম মখাদা মাপনশুবা রিভিয়ুগী মতাংদা ওথোরিটিশিংগা প্রোগ্রামগী খন্নখিবদা পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রাম য়াওরম্বা য়াই হায়বা হন্দক্তা মেদিয়া রিপোর্টশিংদা ফোঙনরকখিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা ঐহাক্না য়াম্না নাখে শেংনা হায়নিংলিবদি পাকিস্তানগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপ অমত্তগা হৌজিক লৈরিবা নত্ত্রগা মমাঙগী আই এম এফকী সপোর্ট প্রোগ্রামগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়বসিনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি আই এম এফকী টিমগা পাকিস্তানগী গভর্ণমেন্টগী মীহুৎশিংগা খন্নখিবশিং অদু ফন্দ অসিগী মেক্রো ইকনোমিক অমসুং ফাইনান্সিএল ষ্টেবিলিটি প্রমোট তৌবগী মেন্দেটকা চান্নবা পাকিস্তানগী ইকনোমিক অমসুং বেলেন্স ওফ পেমেন্টস প্রোব্লেমশিং সোল্ব তৌনবগী ইকনোমিক পোলিসিশিংদা মীৎয়েং থমখি।

মার্চ ১৬ তা ফাইনান্স মিনিষ্টর ইসাক দারনা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামগী মতাংদা মন্তিক্লবগী ৱাফম লৈরোই হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না ৱাফম অদু আই এম এফকা এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনবদা থিন্থবগী মতাংদা সিনেটর রাজা রবানিনা হংলকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম ওইনা সিনেটতা ফোঙদোকখিবনি।

পাকিস্তানদা লোনগী খুদোংচাবা পীবগী মতাংদা আই এম এফকী করম করম্বা কন্দিসনশিং লৈবগে হায়বা অসিদা পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসপু ঙসি নত্ত্রগা মমাঙদা অমত্তা তান্নখিদবসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না রবানিনা ফোঙদোকখি।

ইজিপ্টনা থৌবু ওইদুনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা উংখৎনবা হন্থহন্নবা পার্টি মঙাগী মীফম পাঙথোকখ্রে

কাইরো, মার্চ ২০ (এজেন্সী):

মুস্লিমশিংগী শেংলবা থা রামজানগী মাঙওইননা ৱেষ্ট বেঙ্কতা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং হেনগৎলকপা থিংনবা অমদি লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা ইজিপ্টনা থৌবু ওইদুনা লৈবাক অসিগী রেদ সীগী রিজের্ট সারম এল-সেখতা পার্টি মঙাগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইজিপ্সিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মীফম অদুদা ইজিপ্ট, পলেষ্টাইন, ইজরেল, জোর্দান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিটি অমসুং পোলিটিকেল ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুগী পান্দমদি হৌজিক তোইনা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং লেপহন্নবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা য়ুনিলেটরেল এক্সনশিং থীংনবা অমদি ইরাং হেনগৎহন্দবগী থৌরাংশিং য়ানহন্নবা ইজরেল্লি অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা দাইলোগ চত্থবদা মতেং পাঙবা অসিনি।

পার্টি মঙাগী মীফম অদু ফেব্রুৱারী ২৬ তা জোর্দানদা পাঙথোকখিবা দিস্কসনশিং মখা চত্থরকপনি। জোর্দানদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা ইজরেল্লি-পলেষ্টিনিয়ন পিছ প্রোসেস অমুক মখা চত্থরকপা য়ানবগী লম্বী ফাংখি। চহী অসি হৌরকপদগী ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখি।

পলেষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা পলেষ্টিনিয়ন ৮৯ হাৎখ্রে।

অমরোমদা, পলেষ্টিনিয়নশিংনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা চত্থখিবা এটেকশিংদা ইজরেল্লি ১৪ শিখ্রে হায়বসি ওফিসল ইজরেল্লি ফিগর্সনা উৎখ্রে।

করপসন কেসশিংগী টোপ ইনভেষ্টিগেটর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

জোহানেসবর্ক, মার্চ২০ (এজেন্সী):

অৱাংবা থাক্কী করপসনগী কেসশিং ইনভেষ্টিগেসন তৌরিবা সাউথ অফ্রিকাগী একাউন্টেন্ট অমা মচানুপাগা লোয়ননা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ওফিসলশিং পল্লদুনা হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী রিপোর্ট অমদা বি বি সিনা হায়রি, মদুদি মশাগী চহী ৫০ শুরবা ক্লোদ মুরে কৌবা মীওই অদু থাংজ নুমিত্তা লিগেল এদভাইজর অমা ওইরিবা মহাক্কী চহী ২৮ শুরবা মচানুপা থোমাসকা লোয়ননা জোহানেসবর্কতা কার তোংদুনা চৎলিঙৈদা মশক খঙদবা এসেলেন্টশিংনা এটেক তৌখিবনি।

মহাক্কী মচানুপা অদু থৌদোক থোকফম অদুদা শিখি। এটেক অদুদা ফিভম লুনা শোক্লবা মুরে হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি। মপা মচা অদু মখোয়গী অঙৌবা মচুগী টোয়াটো প্রাদো তোংলগা প্রিটোরিয়াদা লৈবা মখোয়গী য়ুম তম্না লাকখিবনি।

একাউন্টেন্ট মুরে গভর্ণমেন্ট কন্ট্রেক্টকী স্কেন্দল কয়াদা চেন্নরিবা কম্পেনি অমা ওইরিবা বোসাসারগী লিক্যুদেটর ওইখি। মহাক ইনাক কৈরাক খুল্লবা গুপ্তা মচিন মনাওশিংগা মরী লৈনবা ফার্মশিংগী লিক্যুদেটর অমা ওইনসু থবক তৌখি। মচিন মনাওশিং অসিনা মখোয়দা শীরিবা ব্রাইবেরিগী মরালশিং রিজেক্ট তৌখি।

পুলিসনা হায়রি, মুরেগী মীহাৎ অমদি করপসনগী ইনভেষ্টিগেসনশিং অদুগী মরক্তা মরী অমা লৈনব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা মখোয়না য়েংশিল্লগনি। কোর্টনা এপোইন্ট তৌবা কম্পেনিগী লিক্যুদেটর অমা ওইনা থবক তৌরিবা মুরেনা ৱাথোক কয়াদা চেন্নৈ হায়না মরাল শীরবা ফার্মশিংগী একাউন্টশিং য়েংশিনখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRANSPORT
ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTIFICATION

Imphal, the 17th March, 2023

No. M-TPT/8/2021-DoTPT-DT/1526: The Ministry of Road Transport and Highways, Government of India has advised to accept the documents available in **DigiLocker** or the **mParivahan** app of the Ministry to be treated at par with the certificates issued by the transport authorities under the Motor Vehicle Act, 1988 vide letter No. RT¬11036/64/2017-MVL dated 17-12-2018.

The DigiLocker of the Ministry of Electronics and Information Technology, Govt. of India and the mParivahan mobile app of Ministry of Road Transport and Highways, Govt. of India has the facility to pull a citizen's Driving Licence, Registration Certificate or any other certificate in electronic form and these electronic records are deemed to be legally recognized at par with the original documents as per the provision of the Information Technology Act, 2000.

Therefore, it is to reiterate that the Driving Licence, Registration Certificates, Permits, Fitness Certificate, PUC Certificate or any other certificates produced in the "electronic form" through **DigiLocker** and **mParivahan app** will be treated at par with the original documents by the enforcement authorities.

Further, the Enforcement Authorities in the field during enforcement of provisions under MV Act & Rules should follow the **Standard Operating Procedure (SOP)** issued by the Ministry of Road Transport and Highways (MoRTH) vide letter No. RT-11036/64/2017-MVL dated 17-12-2018.

Sd/- **Dr. Nivedita Lairenlakpam**
Director of Transport, Manipur

HL-B/8076/21